**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 11-04-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১১-০৪-২০২৪, শগোলশেন)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ১৮ সুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভাট থাদগদবা মতম চয়োল অমা খক্তা ঙাইরবসু রাজ্য অসিদদি রাজনিতি দলশিং মহৌশাগুম পাক শন্না ভোট খোমবগী মমি তাদ্রি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক চঞ্চবদা কাংপোকপী জিলাগী চঙৌবুং খুলদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি - ভারত অসি মালেমগী থাক্তা য়ৌবা ঙম্বা পোথোকশিং মতিক চাবা মমলদা পুথোকপা ঙম্বা মফম ওইরে।

**--সিগনেচর ট্যুন---**

**মীখল(এল)ঃ** ১৮ সুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভাট থাদগদবা মতম চয়োল অমা খক্তা ঙাইরবসু রাজ্য অসিদদি রাজনিতি দলশিং মহৌশাগুম পাক শন্না ভোট খোমবগী মমি তাদ্রি। মমাং চহিগী মে ৩ দগী থোকখিবা ইরাংনা মরম ওইরগা মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা ভোট খোম্বগী থবক থৌরমদা অহোংবা অসি লাকপনি। মীখল ময়া নকশিল্লকপদা মহৌশাগুম রাজনিতি দলশিংগী অচৌবা মীফম পাঙথোকপা লম্বীদা ফিরাল , পোস্তর অমদি বেন্নরনচিংবা থেৎপা উবা ফংদ্রি।

অদুমকপু ভারত্যা জনতা পার্টিগী ওইনা দল অসিগী লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সহা থা অসিগী ১৪ দা মনিপুরদা লাক্কুনা ভোট খোম্লগনি। মসিগীদমক পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা হপ্তা কাংজৈবু শেন্বা শাবগী থবক লোইশিল্লক্লে।

মীখল অসি মায় পাকা পাঙথোকবগীদমক পোল্লিং পরসনেল অয়াম্বদা তাঙ্কক অনিরক থোকনা ত্রেনিং পীবগী থবক লোইশিল্লক্লে। অমরোমদা, চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসর প্রদিপ কুমার ঝানা ফোংদোকখিবগী মতুং ইন্না রাজ্য অসিদা অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৯৫৫ দা ভোট থাদনগনি । মসিগী মনুংদা চাদা ৫০ দি সেন্সিতিব ওইবা পোল্লিং ষ্টেসননি হায়রি ।। অমরোমদা, রাজ্য অসিদা থোকখিবা ইরাংনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওই লিশিং ২৪,৫০০গী মথক্তসু ভোট থাদহন্নবা থৌরাং পায়খৎলে। মসিগীদমক স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন ৯৪ হাংদোকবা থৌরাং তৌরে। স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ৮, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ৯, বিষ্ণুপুরদা ২২, থৌবালদা অনি , ককচিংদা ৫, চুরাচান্দপুরদা ১৫, কাংপোকপী ২৪, তেংনৌপল ৪, জিরিবাম অমা অমসুং উখ্রুলদা ৪ নি।

মরক অসিদা, আউতর মনিপুর সিটকী কংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা অলফ্রেদ কাঙম অথর, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ত-কে.মেঘচন্দ্র, এম.পি.সি.সিগী ৱার্কিং ফজর্ হেমান অমসুং দল অসিগী তোঙান তোঙানবা মকোক থোংবা মীওই কয়াগা লোয়ননা ঙরাং ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা মীয়ামগা উন্নখ্রে। ককচিং ৱাইরি থোংঙাম লৈকায়দা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোকখি।

ইন্নর মনিপুরগী সিটকী ব.জে.পিগী মীরেপ ওইরিবা থৌনাওজম বসন্তা কুমারগী মীখলগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখি। উৎলৌদা লৈরিবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজম য়াওনা তোঙান তোঙানবা এম.এল.এ শরুক য়াখি।

**পলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কাংপোকপী জিলাগী চঙৌবুং খুলদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। খুৎলায়শিং অদুদি ঐচ.ই. থার্টিসিক্স হেন্দ গ্রেনেট অমা, মেগজিনগা লোয়নবা নাইন এম.এম পিস্তোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২২, বাউফেং ৱাকি টৌল্কি অমা, চার্জর অমা, লোয়ননা ইনসাস রাইফলগী মেগজিন অমনি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী য়ু.পি.পি.কেগী এক্তিব কাদরনি হায়বা মীওই অমা পুলিসনা ফাবা ঙল্লে হায়রি। মীওই অদু মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়নসু পুলিসকী পাউনা মখা তারি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থীবা হুম্বগী থবক চথবগী মথক্তা চীংনবা মফমশিংদা পুন্না চেক পোইন্ত ১৩০ গী মথক্তা হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবকসু লেপ্তুনা চথরি হায়রি । নেসনেল হায়ৱে-টু , হম্ফাল -দিমাপুর লম্বীদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২৪৯ সু সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা ইম্ফাল য়ৌহল্লকখ্রে হায়রি।

ইদ(এল)ঃ ধর্ম্ম চৎনবি অমসুং হরাও তৈয়াম্বগা লোয়ননা ঙসি ইদ-উল-ফিতরগী কুম্মৈ পাঙথোক্লি। অয়ুক্তা ধর্ম্মগী ওইবা লাইনিং লোইশোন পাঙথোক্কনি। মনিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমদা ইদ-উল-ফিতরগী থৌরম পাঙথোক্লি। ইম্ফালগী পাউনা বজারদা লৈবা সাদর বজার জমে মসজিদসু নমাস শোনগনি। মন্ত্রি পুখ্রি মসজিদ , হাফিস হপ্তা মসজিদ, গোলাপতি মসজিদ অচৌবা অমসুং বাবুপারা মসজিদতসু নামাস শোনগনি হায়রি ।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন অমদি লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল অনুসুইনা উইকেনা হায়- থা অমা চুপা চথরকপা চারা হেল্লুরবা ত্দা পাঙথোক্কদৌরিবা শেংলবা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমকা মচিন মনাও ওইবগী ৱাখল্লোন অদু পুরক্কুনা নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইরসনু। নুমিৎ অসিনা লাকপদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন চেৎশিলহনবগা লোয়ননা ইং তপ্পা, শান্তি লৈবা লমদম অমা পরক্লসনু ।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মহাক্কী পাউজেলদা হায় - কুম্মৈ অসিনা লাকপদা অফবা ৱাখল চেনবা মীওই অমমম ওইবা ঙম্বগী থৌনা অদু পীবা ওইরসনু । কুম্মৈ অসিনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈনরিবা ইচিল ইনাও ওইবগী মরী চেৎশিলহন্দুনা তুংদু লৈতবা চাউখৎপা লমদম অমা পুরক্লসনু ।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মহুদ মন্ত্রি ৱাই.খেমচান্দ, এম.এল.এ সৈখ নুরুল হাসন,মনিকোগী চিয়রমেন কে.রোবিন্দ্রো, মনিপুর প্রদেশ কম্মীতি প্রসিদেন্ত কে.মেঘাচন্দ্রা য়াওনা লুচিংবা কয়ানসু নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ইদ-উল -ফিতরনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা নুমিৎ অসিনা লাকপদা নুংশি চান্নবা, অমত্তা ওইবা , চানবি হৈবা অমদি মীয়োক মীয়ানচা ফাজবগী ৱাখল্লোন হেনগৎপা ওইরসনু।

**নর সিংহ (এল)ঃ** ।মহারাজ নর সিংহ লৈখিদবগী ১৭৪ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি অয়ুক কংলাদা পাঙথোক্কনি। আর্ট এন্দ কলচরগী ষ্টেট আর্কিওলোজি বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা মহারাজ নর সিংহগী মঙদা লৈশু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। গার্দ ওফ ওন্নর , গন সেল্যুট, রিভর্স আমস অমদি লাস্ত পোস্ খোংগনি। মিনিত অসি তুমিন্না লৈদুনা ইকায় খুমবসু উৎকনি। কংলাগী নুংজ্রেং পুখ্রিদা তরপনসু কৎকনি। শ্রী শ্রী গোবিন্দা জিউ জলাকেলি পালাসু থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি ।

নিংশিংবা য়াই মনিপুরদা চহি ৭ খুন্তাকপা থোকখ্রবা মতুং ইং ১৮২৬ তা অৱাশিংবু মায়থিবা পীদুনা মনিপুরদগী তকথোকনবা হোৎনবদা মহারাজ নর সিংহনা অচৌবা থৌদাং লৌরমখিবনি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**পি.এমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি - ভারত অসি মালেমগী থাক্তা য়ৌবা ঙস্বা পোথোকশিং মতিক চাবা মমলদা পুথোকপা ঙম্বা মফম ওইরে। ৱাফম অসি ঙরাং পাউমী অমগা উন্নবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- ভারত অসি মালেমগী ওইনা সপ্লাই চেনদা থাজবা থম্বা য়াবা লৈবাক অমনি। মালেমগী ওইনা ১১ শুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমি ওইরম্বদগী ৫ শুবদা য়ৌবা ঙম্মী হায়বসি মীয়ামা খঙন্নরে হায়নসু মখা তাখি। লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা শেল থুমগী ৫ শুবা মফমদগী হেনগৎতুনা ৩ শুবদা লৈনবা হোৎনবা হায়বসি লৈবাক অসিগী মাঙলাননি। ভারতনা স্পেস , আর্টিফিসিয়েল ইন্তিলিজেন্স ,গ্রিন ইনর্জি, সেমি কন্দক্তর অমসুং তুংগী কান্নগদবা তেকোলোজিশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দ লৈরে--**

**--প্রেমচান্দ --**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) ১৮ সুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভাট থাদগদবা মতম চয়োল অমা খক্তা ঙাইরবসু রাজ্য অসিদদি রাজনিতি দলশিং মহৌশাগুম পাক শন্না ভোট খোমবগী মমি তাদ্রি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা কাংপোকপী জিলাগী চঙৌবুং খুলদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি - ভারত অসি মালেমগী থাক্তা য়ৌবা ঙম্বা পোথোকশিং মতিক চাবা মমলদা পুথোকপা ঙম্বা মফম ওইরে।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-রাজেস**

**--বেদমনি--**